## এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২২ঃ পান্থোইবী কলচরেল রিসার্স সেন্টর ফোর পাফোর্মিং আর্টসকী ২৯ শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা নোংপোক নিংথৌ অমসুং নোংপোক পান্থোইবী এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে।

## GAS TODAY

**ATHOKPAM INDANE SERVICE**
Booking upto: 06/02/2016
Valid from: 01/02/2016
***Stk:306 DNSC(DBTL)***
Timing: 07:00 -10:00 am
Please submit Aadhaar xerox.

**HARAL VALLEY,KWAKTA**
Booking upto: 23/01/2016
Valid from: 13/01/2016
***Stk:306(DBTL Only)***
Timing: 07:00 -10:30 am

**IMPHAL LPG SERVICE**
**SL.NO.UPTO.51200**
Booking upto: 23/02/2016
Valid from: 16/02/2016
***Stk:306(DBTL Only)***
***19kg Commercial Stk:100***
**Avail 19 Kg Commercial Connection.**

**JEMON GAS SERVICE MAYANG IMPHAL**
Booking upto: 01/02/2016
Valid from: 06/01/2016
***Stk:612 (DBTL Only)***
Timing: 07:00 -10:30 am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**SL.NO.7170**
Booking upto: 19/02/2016
Valid from: 15/02/2016
***Stk:306***
Timing: 07:00 -11:00 am

**MANIPUR GAS SERVICE SANGAKPHAM**
Booking upto: 12/02/2016
Valid from: 06/02/2016
***Stk:306 (DBTL Only)***
Timing: 07:30 -9:30 am

**RBD INDANE SERVICE**
Booking upto: 09/02/2016
Valid from: 02/02/2016
***Stk:612DNSC(DBTL)***
Timing: 06:30am -11:00am
Please submitt Aadhaar xerox.

**SAWOMBUNG INDANE SERVICE**
Booking upto: 20/02/2016
***Stk:306(DBTL Only)***
Timing: 07:30am -10:00am

**M/S J RONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking upto: 19/02/2016
Valid from: 16/02/2016
***Stk:306(DBTL Only)***
Timing: 07:30am -10:00am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto: 05/02/2016
Valid from: 23/01/2016 ***Stk:612***
Timing: 07:30am -11:00am
Submit Your Aadhaar.

## ময়ায় কাবা চীঞ্জাকশিং থিংদুনা...

*লামায় ১গী মখা...* কা হেন্না শীজিন্নরবদি ময়ায় কাবা ওন্দুনা হকচাংদা শোকহল্লিবনি। ময়ায় কাবা চীঞ্জাকশিংনা খুন্নাই অসিদা পীরক্লিবা চৈথেংশিংসু ঐখোয় পুন্নমক্না খঙমিন্নদুনা মসিদগী ঙাকথোক্নবা চঙশিনবা তাই।

ষ্টেট অসিদা তোঙান-তোঙানবা ইস্যু কয়া অমসু লৈরি। পার্লিয়ামেন্টতা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি অমদি অফস্পাগী মতাংদা পুথোকখিবা কয়াসু লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা কাদাগী সেক্রেটরি দিপাঞ্জিৎনা হায়খি, কাদানা শাফোঙলকপদগী লমদম অসিদা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক থিংনবগীদমক খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্না মাঙহল্লিবা কয়াগী মতাংদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামসু মফম কয়াদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্তা লায়চুরুরবা মীওই কয়াবু মহৌশাগী ওইবা পুন্সিরোলদা হঞ্জিল্লক্নবগীদমক হোৎনদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা থৌরাং অসিগীদমক রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিং মথৌ তাই। লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরগী মশীং য়ামদবনা মখা তানা রিহেবিলিটেসন সেন্টর কয়া হাংদোক্তুনা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্তা লায়চুরুরবশিংবু অফবা লম্বীদা পুরক্নবা হোৎনবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট এদভোকেট ৱাই রতনকুমারনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। আর কে রনেন্দ্রজিৎনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## য়াওশঙ, গুদ ফ্রাইদেগী য়াইফ...

*লামায় ১গী মখা...* ও ইবোবীনা য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা মণিপুর মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা লমদমসিদা ঈং-তপ্পা য়াইফবা পুরক্লসনু হায়নসু য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা মখা তারি। গুদ ফ্রাইদেনা লাকপদসু মণিপুর মীয়ামদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। লমদমসিদা লৈরিবা কাঙলুপশিংগী মরক্তা মচিন-মনাও ওইবগী মরী চেৎশিন্নবা অমদি নুংশিনবা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি। মরকসিদা, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বরনা য়াওশঙগী য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, য়াওশঙ কুম্মৈনা লাকপদা লমদমসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

অমরোমদা, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বরনা গুদ ফ্রাইদেগা মরী লৈননা পীরকপা য়াইফ পাউজেলগী চেরোল অমনা হায়, গুদ ফ্রাইদেনা লাকপদা মণিপুর মীয়াম মরুওইনা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মরকসিদা, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর এম কে প্রেসো সিমরেনসু য়াওশঙ কুম্মৈ অমদি গুদ ফ্রাইদেগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। অমরোমদা, রেদ সিল্ড দিভিজনগী মেজর জেনরেল এস এস মিস্রা, ভি এস এম, জি ও সীনা য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা ষ্টেটসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। য়াওশঙ কুম্মৈনা লাকপদা লমদমসিদা নুংঙাই য়াইফবা চান্ন-চিন্ননা হিংমিন্নবা অনৌবা মণিপুরঅমগী মঙালগা লোয়ননা কখোকপগী থৌনা পীবা ওইরসনু হায়নসু সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি ডা. এম নরানা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

## মেদিয়া এক্সপোজর...

*লামায় ১গী মখা...* চৎলগা মফম অদুগী চৎনরোল অমদি চাউখৎ থৌরাংশিংগী ফীভম য়েংশিনবা অমসুং নৈনগদৌরিবা অসিনা মীয়ামগী মীৎ-নাকোং ওইবা য়াবা ৱারোল কয়া পাউদমগদৌরিবনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি জি পি, এল এম খৌতেনা হায়খি, বেঙ্কোক অসি লল্লোন-ইতিক অমসুং টুরিজমগা য়াম্না মরী লৈনবা লমদম অমনি। লোয়ননা শেল-থুমগী লমদসু খুন্মাং চাউশিনখ্রবা মফম অমনি।

এদিটরশিংগী খোঙচৎ লমথাবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দি আই পি আরগী দিরেক্টর সোমোরজিৎনা হায়খি, এদিটরশিংনা থাইলেন্দগী লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম অমসুং টুরিজমগী থবক থৌরমশিং অদু য়েংদুনা নৈনরবা মতুংদা এক্ট ইষ্ট পোলিসী করম্না মায় পাকহন-গদগে হায়বদু য়েংশিনগদৌরিবনি। ঙসিগী লমথাখিবা খোঙচৎ অদুদা পুন্না এদিটর ১৩ অমসুং গাইদ অনী য়াওরি।

## সেক্স ৱার্কর....

*লামায় ১গী মখা...* এদ্যুকেসন ফংহনগদবনি হায়না নৌতুনেশ্বরীনা মখা তাখি। ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগা নক্লনা লৈরুবনা ট্রান্স এসিয়ান সুপর হায়ৱে লাকপদা মণিপুরদা দ্রগ ট্রাফিক্কিংগী চৈনা অমদি নুপী ওইবী কয়াগী ঈজৎ মাঙবগী চাং হেনগৎলকপা নত্তনা অতৈ করিসু কান্নবা ফংলোই। অরানবা লম্বীদা চৎলুরবা মীয়াম্বু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্নবা মীপুম খুদিংমক্না হোৎনবা তঙাইফদে। নুপীশিং অসিবু ওক্তবীনি হায়না লৌবগী মহুত্তা মীনুংশিগী মীৎয়েং য়েংবীবা তমসি হায়খি। নির্বানা ফাউন্দেসনগী সেক্রে-টরি সোভানা সোরোখাইবমনা প্রসিদেন্ট অমসুং এম এস এ সী এসকা পার্টনর ওইরিবা এন জি ও ফোরমগী প্রসিদেন্ট বিক্রম নেপ্রমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

## চান্দেলদা আই-এমগী রিপব্লিক দে...

*লামায় ১গী মখা...* রিপব্লিক দে থৌরম থা অসিগী ২১ দা চান্দেল হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখি। মণিপুরদা সিজ ফায়র য়ৌদে হায়রগসু ইফোং ফোংনা রিপব্লিক দে থৌরম অমা তৌখিবদা লৈঙাক্না করিমত্তা তৌখিদবসি খ্বাইদগী ঙকপা ফাওই। চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট অসি অসিগুম্বা থৌদোকশিংদা য়াম্না মরী লৈনবা মফম অমনি। আই আর বিশিংনা এন এস সী এন ১০ পল্লেলদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা মতমদা এন এস সী এন (আই-এম)গী খুৎশু খুৎলাইশিং অদু ফাখি। এন এস সী এন (আই-এম)না মতমদুগী চান্দেলগী দি সী ফারগা মন্তিক্ল দুনা খুৎলাই অমসুং শেল ময়াম থিন্দোকখিবা থৌদোক লৈখ্রবনি। ফীভম অসিদা হন্দক্তসু মণিপুরদা লুই-ঙাইনি য়াওবা লাকপদা মণিপুর কম্মান্দোশিংনা চেক তৌবগীদমক নাগালেন্দদা বেজ তৌবা এন এস এফনা বন্দ তৌখিবা লৈখ্রে।

এন এস সী এন (আই-এম)না মণিপুর মনুংদা মখোয়গী খ্বাইদগী চাউবা ফঙ্কসন অমা তৌবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা করিমত্তা খঙহৌদনা তৌখিবা ওইরগদি মরী লৈনবশিংনা মণিপুর মীয়ামদা শেংদোকফম থোকই। মণিপুরগী হোম মিনিষ্টরগী মওং অসি করম্না লৈবনো হায়বা ৱাহং লাকই। ইন্টিলিজেন্স রিপোর্টকী মতুংইন্না অসিগুম্বা থবক থৌওংশিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স, চান্দেলদা তৌগনি হায়বসি খঙহৌদব্রা। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা রিপোর্ট পীদব্রা। হোম মিনিষ্টর অসি মতিক চাদবা মীশকনি হায়না খল্লোইদবগী মরম করি লৈরি। মণিপুর মীয়ামদা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী পোলিটিক্স তৌরগা লৈবাক্কী লুরবা মতাং অসিদা অসিগুম্বা ৱাফম অসিনা নাথৈরগা থম্বা মানবা মওং অসি য়ানিংদে। মীয়াম্নসু য়াবা ঙল্লোই। এন এস সী এন (আই-এম)গী থৌরম অসি পাঙথোকপগী রিপোর্ট চপ চানা লৈরগদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনসু মণিপুর মীয়ামদা খঙহনফম থোকই। ইন্টিলিজেন্স রিপোর্ট লৈরবা ফাওবদা থিংহৌদবা হোম মিনিষ্টর অসি মখা তানা লৈবা চুম্মীব্রা। মণিপুরগী ওইবা অচৌবা ইস্যুশিংদা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা পোলিটিক্স শান্নদুনা লৈবসি তোকপীরো। মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি অমদি য়ুনিটিদা কায়গদবা মওংশিং অসি থিংবা ঙমদ্রগদি মতিক চাবা লুচিংবা নত্তে হায়না লৌগনি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ২৩-৩-২০১৬, য়ুমশকৈশা, লমতাগী ১৫ নি পানবা, নুমীদাংগী পুং ০৫.৩০ দগী ১৬ নি পানবা, যোগীনি মায়কৈদি কৌব্রু, নুমীদাংগী পুং ০৫.৩৩ দগী নোংপোক

**মেষ ঃ** নুংঙাইবা ৱাখল ফাওবা, তৌজবদা মীনা চানবীবা, লমদা চৎপা কান্নজগনি।
লাল্লোল ঃ অনৌবা থবক পায়বা কান্নবা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ মীনা তাথিগনি।
হকচাং ঃ শরূদা শয়াংদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, লৈ হিগোক।

**বৃষ ঃ** ইমুং মনুংদা চয়েৎনবা লাকপা, ইচিল ইনাওনা য়েংথিবা লৈ, কান্নবদি লৈগনি।
লাল্লোল ঃ অরংবা পোৎচৈদা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লোয়নবগা শাউনবা লৈগনি।
হকচাং ঃ কোক, মায়দা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

**মিথুন ঃ** মথক থোংবা মীগা শাউনবা, মরুপনা য়েক্নবা ওইগনি, পূক্নিং ফাথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ হীদাক লাংথক, সনাগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লোয়নবনা নুংশিবীগনি।
হকচাং ঃ কোক, মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ নাপু।

**কর্কট ঃ** অশাউবনা মাঙজবা, মখা থাবা মীওইদগী অয়েৎপা লাক্কনি, মীনদি নুংশিবীগনি।
লাল্লোল ঃ অরংবা পোৎলমগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লৈতাফম খঙলোই।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

**সিংহ ঃ** থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা লৈ, শেল লাকপগী মমি লৈগনি অদুবু থবক তৌবদা অনীরক হন্নবা লৈ, পূক্নিং ফাথবীয়ু।
লাল্লোল ঃ ঈশিং, ফিগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লমগী ষননা মচি শাংবগুম্বনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙ নুংঙাইতবা লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।

**কন্যাঃ** ইচিল ইনাওদগী ঈকাইবা নংবা, লমদা চৎপা, পোৎমাঙ চৈমাঙ লৈগনি, পূক্নিং ফাথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ সনা লুপা, কলা সাহিত্যগী লমদা কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মুক্নবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ নাপু, চিনি অঙাঙবা।

**তুলাঃ** শেল চৎপা হেনবা, নুংনাংবা পীবা মতাংনি, লমদা চৎপগী মহৈ লৈ।
লাল্লোল ঃ মৈগী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লাপ্পম্বনা নকশিন্নিংগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চা চন্দন।

**বৃশ্চিক ঃ** অকাউবা লাকপা, ঈকাইবা নংবা, খঙহৌদনা ৱাখল ওল্লকপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ অচা অথক্কী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ থাজনবা ৱাৎকনি।
হকচাং ঃ শিংলিদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, লৈ অঙৌবা।

**ধনু ঃ** মরী মতাগী অনৌবা পাউ তাজবা, শেল চৎপা, থবক্তা খুরৌ থাংবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ চাদিং হেনগনি।
পাখং-লৈশা ঃ লাপথোক্লিংবা, ৱাখল লাংগনি।
হকচাং ঃ পূক খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**মকর ঃ** তৌরুবা থবক্তা কান্নজগনি, ঈকাইবা নংবা লৈগনি, পূক্নিং তপথবীয়ু।
লাল্লোল ঃ ফিরোলগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মুক্নবা লৈ, পূক্নিং লাংগনি।
হকচাং ঃ কোক নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

**কুম্ভ ঃ** লাংতক্নবা পীবা, মীনা শনমান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি, চাউখৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ হীদাক লাংথক, শেলগী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ নুংঙাইবা পাউ লৈগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

**মিন ঃ** লাকপগা চৎপনা হেনগনি, ৱাখল লাংলবসু কান্নজবদি লৈগনি, মীগা মুক্নবা লৈ।
লাল্লোল ঃ অরু অনানগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ অপোম অতং, খ্বাঙ নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ চিনি অঙাঙবা, লৈ অঙাঙবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।


## STUDY MBBS IN ABROAD

**BANGLADESH:** PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, TMSS MEDICAL COLLEGE, MONNO.
**KAZAKHSTAN:** - SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, KAZAKH NATIONAL MEDICAL UNIVERSITY.
**PHILIPPINES:** - AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM, EMILIO AGUINALDO SCHOOL OF MEDICINES.
**CHINA:** ZHENGZHOU, KUNMING, CHINA THREE GEORGES

*PLZ Contact*: - Atawar Rahman
A.S. Education Trust, Khergao
Thambalkhong, Near Cambridge
School, old Campus Imphal.

CITY OFFICE
Building No.4, 2nd Floor
Roop Mahal Tank,
B.T. Road, Imphal

No Service Charges, No Hidden Charges

Contact No . : 9856363129, ,9615706900 , 8257053310 ,0385-2445341

HL-P/7909/16,18,20,22,23,29,31 March -1-23 April


*ন: ৬(৪)২০০২-০৩/জে এন এম দি এ*

## ওফিস ওফ দি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি ঃ ইম্ফাল

JAWAHARLAL NEHRU MANIPUR DANCE ACADEMY

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/খঙহঞ্জবা**

*ইম্ফাল, তাং ২১/৩/২০১৬ ইং*

জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি ইম্ফালগী শক ২০১৬-১৭ ইংগী ফাউন্দেশন কোর্স অমসুং দিপ্লোমা কোর্স (জগোয় অমসুং সংকীর্ত্তন) গী অনৌবা ছাত্র-ছাত্রি লৌনবগী দরখাষ্ট কৌরি। এপ্লিকেসন ফোর্ম একাদেমি অসিদগী তাং ৩০/৩/২০১৬ ইং ফাওবগী মনুংদা ওফিস মতমদা লৌবীরগা মেনশিল্লবা ফোর্ম অদু তাং ৪/৪/২০১৬ ইং ফাওবগী মনুংদা য়ৌহনবীরক্কদবনি।

**ফাউন্দেশন কোর্স জগোয় অমসুং সংকীর্ত্তন**

চহী ৩ (অহুম) গী কোর্স ওইগনি। মশাগী চহী ১২ দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈগী থাক ইবা পাবা ঙম্বা ওইগদবনি।

**দিপ্লোমা কোর্স জগোয় অমসুং সংকীর্ত্তন**

চহী ৩ (অহুম) গী কোর্স ওইগনি। মশাগী চহী ১৬ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈগী থাক মেট্রিকুলেট ওইগদবনি। থোইদোক হেন্দোকপা জগোয় অমসুং ঈশৈগী গুন চেনবশিংগী ওইনদি মেট্রিকুলেট নৎত্রবসু য়াগনি।

**ইন্টরভিয়ুগী মতম ঃ**

**১) ফাউন্দেশন কোর্স (জগোয় অমসুং সংকীর্ত্তন)**

তাং ১১/৪/২০১৬ ইং নিংথৌকাবা অয়ুক পুং ১০.০০

**২) দিপ্লোমা কোর্স (জগোয় অমসুং সংকীর্ত্তন)**

তাং ১২/৪/২০১৬ ইং লৈবাকপোকপা অয়ুক পুং ১০.০০

খঙজিনবিগদবা :- মেনশিল্লবা ফোর্ম পীখৎলকপদা চহীগী প্রমান য়াওবা সার্টিফিকেট (ওরিজিনেল কোপী) লোইনরক্কদবনি। লোয়ননা নম্বা কুইদ্রিবা মশাগী পাসপোর্ট ফোটো অনী লোয়নরক্কদবনি।

HL-P/7956/23

**এ তোম্বীনৌ দেবী**, প্রধান গুরু

## ꯌꯥꯎꯁꯪ ꯲꯰꯱꯶/YAOSHANG 2016

### Open Public Speaking Competition!!!

**Theme**

**"ঐখোয়গী লৈকায় তরু-তনান্না থম্বদা ঐখোয়গী থৌদাং"**

**"Our responsibility in keeping our Locality Clean"**

**Local Youth Clubs/Organizations** located in the Imphal Municipal Area desirous of conducting the above public speaking competition as a part of the Yaoshang Festival will be assisted with a sum of **₹ 2000/-** by Manipur Urban Development Agency.

**How to register:** Organizations to register by sending the following details through WhatsApp to **8730026296/8730026304:**

a. Name, location and Regd. No. of the Organisation with photograph of the signboard
b. One phone number for communication
c. Photograph showing Bank Account Number along with IFSC Code and Name of the Bank for online transfer for convenience
d. Photograph of self-declaration indicating that the Organization/Club is located within the Imphal Municipal Area.

**How to avail assistance:** Organizations to submit the following details through WhatsApp to **8730026296/8730026304** on or before 26.03.2016:

a. Photographs showing a minimum of 10 numbers of participants in action with backdrop depicting the above theme.
b. Photograph showing conduct of the event by judges.
c. Photograph showing audience during the event.
d. Photographs should be captioned with the name of the Organization/ Club and should be sent from the registered mobile number.

HL-P/7049/23 Mar.

## CLEANLINESS RANKING OF GOVERNMENT OFFICES IN IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION AREA, THOUBAL & BISHNUPUR MUNICIPAL AREA

**(Conducted by Manipur Urban Development Agency (MUDA))**

| Rank | Name of Office | Rank | Name of Office |
|---|---|---|---|
| ***Offices in Imphal Municipal Corporation area*** | | | |
| 1 | Directorate of Treasury and Accounts | 16 | Horticulture and Soil Conservation |
| 1 | Local Fund Audit | 17 | Directorate of Fisheries |
| 2 | Directorate of Planning | 18 | Office of the Deputy Commissioner, Imphal West |
| 3 | Forest Department | 19 | Directorate of Tourism |
| 4 | Town Planning Department | 19 | Information and Public Relations (IP&R) |
| 5 | Directorate of Tribal Affairs and Hills | 20 | Secretariat North Block |
| 5 | Directorate of Health Services | 21 | Directorate of Commerce and Industries |
| 6 | Directorate of Education (U) | 22 | PWD |
| 7 | Department of Sericulture | 23 | Command Area Development Authority (CADA) |
| 8 | Secretariat South Block | 24 | Directorate of Transport |
| 9 | PHED | 24 | Directorate of Economics and Statistics |
| 9 | Directorate of Agriculture | 25 | Directorate of Education (S) |
| 10 | Imphal Police Station | 26 | Social Welfare |
| 11 | Police Headquarter | 27 | Relief & Disaster Management |
| 12 | CAF & PD | 28 | IFCD |
| 12 | Fire Service | 29 | Veterinary and Animal Husbandry |
| 13 | Office of the Chief Electoral Officer, Manipur | 29 | Directorate of Settlement and Land Records |
| 14 | Youth Affairs and Sports | 29 | Directorate of Labour |
| 15 | Directorate of Art & Culture | | |
| ***Offices in Thoubal Municipal area*** | | | |
| 1 | Nehru Yuva Kendra, Thoubal | 9 | ZEO, Thoubal |
| 2 | Office of the Deputy Commissioner, Thoubal | 10 | DSWO, Thoubal |
| 3 | Fire Service, Thoubal | 11 | B.D.O, Thoubal |
| 4 | MSPDCL, Thoubal | 11 | P.W.D, Thoubal |
| 5 | CAF & PD, Thoubal | 12 | S.D.O, Thoubal |
| 5 | PHED, Thoubal | 12 | C.M.O, Thoubal |
| 6 | Excise Office, Thoubal | 13 | S.D.C Office, Thoubal |
| 7 | District Agriculture Officer, Thoubal | 13 | Sub Registrar Office, Thoubal |
| 8 | Veterinary Office, Thoubal | 14 | D.F.O, Thoubal |
| ***Offices in Bishnupur Municipal area*** | | | |
| 1 | Office of the E.E (PHED), Bishnupur | 6 | Office of the DYASO, Bishnupur |
| 2 | Office of the DFO (Forest), Bishnupur | 7 | Office of the District Social Welfare Officer |
| 3 | Office of the A.D (Seri.), Bishnupur | 7 | Office of the DIO (DIPR), Bishnupur |
| 4 | Office of the General Manager (DIC) | 8 | Office of the District Employment Exchange Officer, Bishnupur |
| 4 | Office of the DYC/NYK, Bishnupur | 8 | Office of the District Statistical Officer |
| 4 | Office of the Jt. Director (Vety.), Bishnupur | 9 | Officer of the E.E (IFCD), Bishnupur |
| 5 | Office of the Sub Registrar, Bishnupur | 10 | Office of the A.E (MI), Bishnupur |
| 5 | Office of the DGM(Power), Bishnupur | 10 | Office of the B.D.O, Bishnupur |
| 5 | Office of the CMO, Bishnupur | 10 | Office of the DPO, Bishnupur |
| 5 | Office of the DTO, Bishnupur | 11 | Office of the DSO (CAF & PD), Bishnupur |
| 5 | Office of the District Family Welfare Officer | 11 | Office of the CDPO, Bishnupur |
| 6 | Office of the Treasury Officer, Bishnupur | 12 | Office of the BDO, Moirang |
| 6 | Office of the D.O (Hort. & S.C), Bishnupur | 12 | Office of the E.E (PWD), Bishnupur |
| 6 | Office of the District Agriculture Officer | 13 | Office of the ZEO, Bishnupur |
| 6 | Office of the District Co-operative Officer | | |

* For More details, visit the MUDA website - **http://muda.mn.gov.in/**

**(N. GITKUMAR SINGH)**
Member Secretary
Manipur Urban Development Agency
(MUDA), Imphal

HL-P/7049/23 Mar.